**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences  ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal  Impact Factor: 7.384
Volume - 7, Issue - 10, October - 2024

DOIs:10.2018/SS/202410003  --:--  Research Paper / Article / Review

# মণিপুরী ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা মচাক খরা

**Dr . Saikhom Robindro Singh**
Assistant Professor, Department of Manipuri, Janata College, Kabuganj,, Cachar, Assam, India
Email: robin.saikhom@gmail.com

**এবষ্ট্রেক্ট :** 'ফোকলাইফ' হায়বা ৱাহৈ অসি মরুওইনা সুইদেনদা 'ফোকলিভ' (Folkliv) হায়না খঙনখিবা অদুদগী হৌরকপনি হায়না লৌনৈ। য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা ফোকলাইফ হায়রগা মখোয়গী মাঙলমচৎতগী মথং-মথং চৎনরক্লিবা সংস্কৃতিবু নৈনবা হৌরকখি। 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ' অনীসি অমগা অমগা য়ান্না নকশিন্নৈ। মরম অদুনা ফোকলাইফপু শৌগৎপা মীওইশিংনদি 'ফোকলোর' হায়বগী মহুৎতা 'ফোকলাইফ' হায়বসিনা হেন্না চুনরে হায়না লৌনৈ। অদুগা 'ফোকলাইফ'কী মনুংদা 'ফোকলোর'সু মশানা য়াওজদুনা লৈরে হায়বসিনি। ফোকলোরিষ্ট রিচার্ড এম. দোরসন (Richard M. Dorson)না ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা মচাক মরিথোক্লা খায়দোক্লম্মী। মদুদি- ওরেল লিত্রেচর, ফিজিকেল ফোকলাইফ, সোসিয়েল ফোক কষ্টম, পার্ফোমিং ফোক আর্টস হায়রিবা অসিনি। হায়রিবা কয়াৎ মরি অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা মণিপুরী ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা মশকশিং মরীক চুম্না নৈনবা য়াই।

**কি-ৱার্দস :** ফোকলাইফ, ফোকলোর, রিচার্ড এম. দোরসন।

## 1. ৱাহৌদোক :

ফোকলোর হায়বসি য়ান্না থুনা পৃথিবীগী মীওই কয়ানা শীজিন্নখিদুনা অন্তরজাতিগী ওইবা ৱাহৈ অমা ওইখিরম্মি। অদুবু ইকুই-কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা 'ফোকলাইফ' হায়বা 'ফোকলোর'গা য়ান্না নকশিন্নবা ৱাহৈ অমা য়ুরোপকী লমশিংদা শীজিন্নদুনা নৈনবা হৌরক্লম্মি। ৱাহৈ অসিমক্তি ইহান-হান্না স্কান্দিনিভিয়ান (Scandenavian) লৈবাকশিং (নোরৱে, সুইদেন, ফিনলেন্দ)দা মরুওইনা সুইদেনদা 'ফোকলিভ' (Folkliv) হায়না খঙনখিবা অদুদগী হৌরকপনি হায়না লৌনৈ। য়ুরোপকী লমশিংদা ফোকলাইফকী মরমদা নৈনবা হৌখিবসি মরুওইনা মখোয়গী মাঙলমচত্তগী চৎনরক্লিবা সংস্কৃতিবু নৈন্নবগীদমক্তনি ।

ফোকলোরগী তোঙান-তোঙানবা এসপেক্ট কয়ামরুম লৈ । মরম অদুনা 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ' অমগা অমগা য়ান্না নক্নবা মরী লৈনৈ হায়না খনবা পৃথিবীগী অফাওবা মীওই কয়া লৈ। ফোকলাইফপু য়ান্না কন্না শৌগৎপা মীওইশিংনদি 'ফোকলোর' হায়বা অসিগী মহুত্তা 'ফোকলাইফ' হায়বসিনা হেন্না চুনরে। অদুগা 'ফোকলাইফ'কী মনুংদা 'ফোকলোর'সু লৈরে হায়বা অসিনি। মরমদি ফোকলোরবু নৈনরিবা কাঙবুনা ফোকলোর হায়রগা চীনবুং সাহিত্যদা হেন্না পূক্নীং চংশিনবা অদুদসু নত্তনা ফোকলোরবু 'ভার্বেল আর্ট'নি হায়বনচিংবা কয়া অসিনা ফোকলোরগী লৈহৌরিবা অতৈ এসপেক্টশিংবুদি থওইবিদ্রে হায়বসিনি। মতাং অসিদা ফোকলোরবু য়ান্না থৱায় য়াওনা শৌগৎচবা মীওইশিংনদি ফোকলাইফ হায়বগী মহুত্তা ফোকলোর হায়বা ৱাহৈ অসি অসুম শীজিন্নবনা চীনবুং সাহিত্যদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ফোকলোরগী এসপেক্টশিং পূন্নমকপুসু কোনশিল্লি হায়বা অসিনি। ৱাফম অসিদগী 'ফোকলোর'দা হায়বগী মহুত্তা ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফ অনীমক পূন্না হায়বনা হেন্না চুনরগদ্রা হায়বগীদমক্তা ৱাহৈ অসিবু পুন্না শীজিন্নৈ।

**2. নৈনবা :**

মণিপুরী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা মচাক খরা উৎচবদা মচা খায়নবগীদমক্তা রিচার্ড এম. দোরসন (Richard M. Dorson) না ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী নৈন্নবগীদমক্তা কয়াৎ মরি থোক্লা খায়দোকই। মখোয়শিং অদুদি :

অহানবদা 'ওরেল লিত্রেচর' করিগুম্বা মতমদা 'ভার্বেল আর্ট' হায়নসু কৌনৈ। মসিগী মনুংদা ঙাংনরিবা, শক্লরিবা ৱারী-ৱাতাই অমসুং মমাঙউঁদগী হৌজিক ফাওবা হন্না-হন্না শীজিন্নবগী মওংদা মীরোল অমদগী অমদা শমথরক্লিবা ৱাঙাং ৱাতাশিং অসিবুনি। মৈতৈরোন্দা ঐখোয়না 'চীনবুং সাহিত্য' হায়রগা খঙনৈ।

অনীশুবদা, 'ফিজিকেল ফোকলাইফ' মহৌশানা মসিবু 'মেটরিয়েল কলচর' হায়না খঙনৈ। মসিগী মনুং চল্লিবদি নাকোংনা তাবগা মরী লৈনবা নত্তবা মমাঙউঁদগী লৈরক্লবা অমসুং ঙসি ফাওবা অদুম লৈরিবা মিৎনা উবা পোৎ-চৈশিং অদুবুনি।

অহুমশুবদা, 'সোসিয়েল ফোক কষ্টম' হায়বসিনি। মসিগী কাঙলুপ অসিদি চীনবুং সাহিত্য অমসুং 'মেটরিয়েল কলচর' অনীগী মরক্তা লৈবা খুন্নাই অদুগী পূন্সি অদুবুনি। মসিনা মীওই কাঙলুপ অদুগী থাজনবী, হরাও-কুম্মৈ অমসুং ঈরাৎ-থৌনি ময়ামগী ওইবা ধর্ম অমদি মহৌশাগী হিদাক লাংথক্লচিংবসু য়াওই।

মরিশুবদা, 'পার্ফোমিং ফোক আর্টস'নি। মসিনা মরুওইনা খঙনরিবদি দান্স, দ্রামা অমদি ত্রেদিসনেল ম্যুজিক্নি। অদুগা ফুঙ্গাৱারী অমা লীবদা নৎত্রগা খুন্নুং ঈশৈ অমা শকপদা লীরিবা অমসুং শক্লিবা মওং অদুসু মসিগী মনুং চল্লি। অদুবু মখোয়না তৌরিবগী মওং অসিদি থোইনা হেন্না নিয়ম নাইনা অকক্লবা অমগী মখাদা লীবা অমসুং শকপা নত্তে। মখোয়না মওং নাইদবা অসি ভাব তানা মীওই কাঙলুপ অদুগী ওইবা নৎত্রগা লোয়ননা জগোইগী ফিরোলনচিংবা শেত্তুনা মী অমনা নৎত্রগা কাঙলুপশিংদুনা লীরবা অমসুং শক্লবসু মখোয়না লীরিবা অমসুং শক্লিবগী মওং অদুসু মসিগী মনুং চল্লি। অদুবু মখোয়না তৌরিবগী মওং অদুসু মসিগী মনুং চল্লি। মসিদা হায়বা য়াই – পার্ফোমিং ফোক আর্টসতা নিয়ম নাইনা পাঙথোক্লিবশিং অদুগা নিয়ম নাইদবশিং অদুগা অনী অসি অমগা অমগা মরী লৈনৈ। কয়াৎ মরি অসিগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা মচাক খরা মখাদা পীজরি।

ওরেল লিত্রেচর হায়বা অসি পৃথিবীগী অখণ্ড-অহৈ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা মমিং কয়া অমা থোল্লি। অদুবু লমদম অসিদদি ওরেল লিত্রেচর হায়রগা চীনবুং সাহিত্যবু খঙনরে। চীনবুং সাহিত্যগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোন কয়া অমা লৈরি। শক্লোনশিং অসিগী মনুংদা মিথ অমসুং লেজন্দগী মতাংদা লমদম অসিদা অহুম নৎত্রগা অনী থোক্লা লৈবা থেংনৈ। মসি হায়জরুবগী মরমদি মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কয়া অমনা লমদমসিগী মাঙলমচত্তগী লৈজরক্লবা, কয়া অমনা লমদমসিদা হিন্দুগী মচাক কয়া তিনশিনখ্রগা ওইরকপা কয়া অমসু লৈরি। মতাং অসিদা লেজন্দগী খুদম অমতং পঞ্জরবদা মণিপুর কৌখিবগী ৱারীদা লমদমসিগী মশাগী ওইবা *শতিং শকোক* কৌবা লাইরিক্তা অসুন্না ইরি :

> নুংগোইবীগী মনাক তাইপেং থোঙগী মরক অদুদা য়াই মণি কৌবা অমা লৈ। মণি অদু লৈ হায়বগী লম অসিবু মণিপুর কৌবনি।

অতোপ্পা অমনা হিন্দু ধর্ম চঙলক্লগা ওইখিবা ৱারী– অর্জুন্না চিত্রঙ্গাদা লুহোংদুনা বব্রুবাহন কৌবা মচা অমা পোক্লমই। কুরুক্ষেত্র লাল লোইরদুনা অশ্বমেধগী শগোল থারকপদা মচানিপা বব্রুবাহন্না লমদমসিদা শগোল অদু ফারমই। মচানা মপা অর্জুনদা মহাক্কী মচানি হায়জবদা শকখঙবিদ্রদুনা অমসুং শগোল অদুগীদমক্তা লাল থেংনবদা অর্জুন অদু বব্রুবাহননা মায়থিবা পীদুনা লৈমায়থক্তা ৱানথদুনা লৈরমই। ৱানথরিবা অর্জুনবু মণি অমগী মতেংনা হিংগৎহনখি হায়দুনা 'মণিপুর' কৌখি হায়না থাজনবা ৱারী অমসু লৈরি। অসিদগী তশেংনা খঙলে, মিথ অমসুং লেজন্দদা তোপ তোপ্পা শক্তম কয়া লৈরি হায়বসি।

ফুঙ্গাৱারীগী মতাংদসু লমদমসিগীদা ওইবা ৱারী কয়া অমা লৈবগা লোয়ননা য়ুমথংনবা অমদি পৃথিবীগী লৈবাক অতৈদা লৈরিবা ৱারী কয়াগা মান্নবা কয়া অমসু উবা ফংই। অদুবু লমসিগী ওইবা অতৈ লমদগী তোপ-তোপ্পা ৱারী খরা হায়জবা তারবদা নোংগৌবীগী ৱারী, উরেনবী ওনখিবগী ৱারী, খম্ব্রাংচাক মপাম চৎপা, তেনৱা ওনখিবগী ৱারী, উচেক লাংমৈদোংগী ৱারী, হাওসি নামোইনুগী ৱারী অসিনচিংবনি।

অসিদসু নত্তনা লমদমসিগী ৱারী 'সন্দ্রেম্বী চৈশ্রা'গী ৱারীগা 'টু বিগ তোরতোইজ' হায়বা বর্মীজগী ৱারী অদুগা মান্নে। মণিপুরগী তপ্তাগী ৱারীগা আসামগী 'দ লোং লেগ' হায়বা ৱারী অসিগা মান্নে অদুদসু নত্তনা কোরিয়াগী ৱারী 'জোং ইন সোব' অমসুং স্পেনগী ৱারী 'কেল্লর'গসু মান্নে। ৱারী অসিগী তাইপ অসি AT ১৭৭

নি। মসিগী ৱারী অসি 'দ তাইপস ওভ দ ফোকটেল' হায়না ষ্টিথ তোমপসননা ইংরাজীদা হন্দোকপা অমসুং চাওথোকহনবা লাইরিক অদুগী লাঃ ৬৪-৬৫দা ময়েক শেংনা ৱারীগী মখল তাক্লি। অসুন্না লমদম অসিদা অতৈ লমগা মান্নদবা ৱারী কয়া ঐখোয়না উবা ফংই। অদুগা লমদম পূন্নমক্তগী তোঙানবা মশক্কী ৱারী কয়া অমসু ফংদবা নত্তে।

ফুঙ্গাৱারীগী মতাংদসু লমদমসিগী ওইবা তোঙানবা শক্তম কয়া অমা লৈবা থেংনৈ। খুদম ওইনা– নিংঙোল মৱা অপংবনচিংবা ৱারীশিংদা ঐখোয়না খঙবা ঙমই মদুদি মণিপুরগী নুপা পূন্নমক নুপী ময়ুমদা য়াওং ইল্লবদি মহাক অদো মথৱায় য়াওদবা মীগা চপ মান্ননা খন্নৈ। অসুন্না অসিগুম্বা ৱারী অসি মণিপুরগী মফম অতৈদা লৈনরমগনি হায়বগী থাজবা খরদি ৱাৎলি। অদুম ওইনমক সমাজগী সংস্কৃতি খেন্নবগী মতুংইন্না মসিগীসি তাংনা তৌনবসু য়াওদবা নত্তে। মণিপুরদা ঙসি ফাওবা ফুঙ্গাৱারীগী মচাকশিং য়াম্না মরাং কায়না ফংলিবগী মরুওইবা মরম অমদি মণিপুর সমাজদা ফুঙ্গাৱারী অমা লীবদা ৱারী অদু লোইদ্রিফাওবা লীদ্রবদি মঙদা শামুনা তাল্লি হায়বগী থাজনবী অমা লৈবসিনা সমাজ অসিদা ৱারী অসি লোইবা ফাওবা হেক হেক লীনবা চৎনৈ। মসিমক্না লমদম অসিদা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি ঙসি ফাওবা মরাং কায়না ফংলিবনি হায়বা য়াই। মসিমক মণিপুরগী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী শক্লোন অমা ওইরিবা ফুঙ্গাৱারীগী তোপ-তোপ্পা শক্তম খরনি।

বেলদকী মতাংদসু লমদম অতৈগী বেলদকী তোঙানবা মওং অমা লৈ হায়জনিংই। বেলদ হায়বদি মশাগী ৱারী অমদি অদুম য়াওজবা অদুগা মদু শৈরেংগী মওংদি লৈবা ঈশৈ ওইনা শক্তুনা মপুং ফানা মীয়ামগী ওইবা ৱারী লীবগী মওংসু য়াওবা অদুবু খঙনৈ। অদুনদি ঐখোয়না খঙলে মদুদি বেলদ (ঈশৈ-ৱারী) হায়বসি মতম কুইনা জাতি-জাতিদুগী চিনথাংদা লৈরক্লবা ঈশৈ ওইনা শক্লবা অদুগুম্বা ঈশৈ-ৱারীনি। মণিপুর হায়রিবা লমদম অসিদদি বেলদ (ঈশৈ-ৱারী) হায়না খঙনবা মখলসি য়াম্না মরাং কায়না ফংই। হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বদা থৌদোক অমদা হরাও তয়াম্বদা নৎত্রগা থৌরমদা বেলদকী শৈশক অসি শক্লরি। মণিপুর হায়বা লমদম অসিদদি মখল খুদিংমক্কী বেলদকী মশক অসি ঐখোয়না উবা ফংই। খুদম ওইনা– লাই-তিনগী ওইবা শীংগুমলোন, নোংগা লম্বী লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী শকপদা– পানথোইবী নাহৈরোল, কোনথৌজম নোঙ্গারোল, খোংজোমনুবী নোঙ্গারোল, লৈশেমলোন, শা-ঙা, ঙানু-থঙ্গোং, লৈরোল ঈশৈদনা– ইঙেললৈ, খোঙ্গলমেলৈ, শমজিলৈ অসিনচিংবনি। অসুন্না মখল খুদিংমক্কী বেলদকী শক্তম অসি লমদম অসিদা ফংই। লমদম অসিদা ঈশৈ-ৱারী শকপদা পেনা চৈজিং পায়দুনা কুইরবা মতমদগী শক্লদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা বেলদকী ঈশৈশিং অসি মাগী মাগী তাঞ্জা-তাঞ্জাগী মতুং ইন্না শক্লে। অসুন্না বেলদকী মতাংদসু ময়ামগা হায়বদি অতৈ লমদমগা মান্নদবা শক্তম লৈ হায়নিংই। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী বেলদ শকপগী শৈশক শৈদা তাল অসি লমদম অতৈদগী তোঙাল্লি।

ফোকসোংগী মতাংদসু লমদম অসিদা মখল মখা কয়া য়াম্না মরাং কায়না ফংই। লমদম অসিদা ফোকসোং অসিগী তোপ-তোপ্পা মচাক কয়া ঐখোয়না উবা ফংই। খুদম ওইনা পল্লবদা মণিপুরী ফোকসোংদা তোপ-তোপ্পা শৈশক অমা ওইরিবদি খুলং-ঈশৈ অসিনি। ঈশৈ অসিগী থিম পূন্নমক নুংশি-নুংওলদা য়ুম্ফম ওই। ঈশৈ অসিগী মপান্না নুপা-নুপী অনীগী থম্মোয়গী নুংশিবগী য়াৱা ফোঙদোক্লে। মখল অসিগী ঈশৈ অসিমকসু লাই হাক্তক্তগী শক্লরক্লবা ঈশৈ অমনি। মদুগী প্রমানদি লাই হরাওবদা য়াওরিবা 'হরাবা' অমসুং 'নোংথাং লৈমা' অনীগী পাউশা ঈশৈ অসিনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী শৈশক অসিগী মওং লৈরি। মণিপুরী ফোকসোংগী তোপ-তোপ্পা মচল অমা ওইরিবনা মণিপুরীশিংগী থাবল চোংবা 'ফোক ডান্স'গী মখল অমা ওইরিবা অসিদগী ঈশৈ হনবা নুপা অমনা শক্লগা থাবল চোংলিবা চোংলিবীশিংনা পুন্না খুমদুনা পুন্না শক্ল-শক্লা থাবল চোংবা চৎনরম্মি। অসিগুম্বা থাবল চোংবগী লৈকাইগী নৎত্রগা খুঙ্গংগী ইরোয় লোয়বা নুমিৎ অমদদি মীকোল-থাগোনবা হায়বা ঈশৈ অসি শক্তুনা মীশিংগী থৱায়মি কোনশিল্লি। অসিদসু নত্তনা মণিপুরীশিংগী শক তাক্লিবা লাই হরাওবগী থৌরমদসু মখল অসিগী ঈশৈ অসি শক্লে। অসিগুম্বা মীকোল-থাগোনবগী ঈশৈ শক্তুনা থৱায়বু মীওইবগী হকচাংদা কোনশিনবগী চৎনবী অমা লৈরিবসিমক লমদম অসিগী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমনি হায়বদা হায়মনবা ওইরোই।

পাউরৌ-পাউখোংগী মতাংশিংদসু মণিপুরী 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ'কী মচাকশিং য়াম্না মরাং কায়না ফংই। অসিগুম্বা মরাং কায়না ফংলিবা মচাকশিংগী মনুংদা পাউরৌ অসি 'রোয়েল ক্রোনিকেল' ইবা মতমদা শীজিন্নবা থেংনৈ। মসিমক মণিপুরী 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ'কী তোপ-তোপ্পা মশক অমনি

হায়না হায়বা য়াই। মসিগী মথক্তা লাই হরাওবদা নুংশি-নুংওনগী ওইবা পাউরৌ-পাউখোংনচিংবা কয়া শীজিন্নবা থেংনরি।

ফিজিকেল ফোকলাইফ কনাগুম্বনা মেটরিয়েল কলচর কৌনবা লমদমসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা শক্তম খরা অদুম্মক লৈজে। খুদম ওইনা মণিপুরীশিংনা মহৌশাদগী লৈনরক্লিবা য়ুমজাও কা মঙা (৫)গী তোপ তোপ্পা মওং অসি অতৈ লমশিংদা শান্নরমগনি হায়বসি চিংনিংঙাই ওই। অসিদসু নত্তনা মণিপুরীশিংনা শীজিন্নরিবা পোলাংগী কাঙলুপমক্তদা অতৈ কাঙলুপতগী তোপ-তোপ্পা মশক কয়া অমসু লৈরি। লৈগী পোলাংদগীনা লৈবাক হোন্ননবা পোলাং ফাওবদা মখল মথেল কয়াগী তোঙান-তোঙানবা পোলাং কয়া লৈরি। অসিদসু নত্তনা থুমোক্কী মতাংদসু অমুক য়েংসি- শংবাইদগীনা পীকপদগী পিক্লবা মেরুক ফাওবা লৈরি। মসিগী মথক্তা মণিপুরীশিংনা শীজিন্নবা নূঙ তেংকোৎ অমদি তোঙান-তোঙানবা মখল মথেলগী চফু অমদি খরুংনচিংবশিং অসিদসু তোপ তোপ্পা কয়ামরুম অমা লৈরি। মতৌ অসুম তৌনা মণিপুরীশিংগী শীজিন্নরিবা পোৎ-চৈ, খূৎশু-খূৎলাই অমসুং শেৎলিবা ফিরোলনচিংবা কয়াশিং অসি ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী মচাক ঙাক্তনি। মখোয়শিংদা লমদমসিগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা শক্তম কয়া লৈ হায়না হায়বা য়াই। অসিগুম্বা শীজিন্নরিবা পোৎশিং অসি লমদমসিগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মশক ফংদবা নত্তে।

সোসিয়েল ফোক কষ্টমগী মতাংদা মণিপুরীশিংনা হৌজিক-হৌজিক থাজনদুনা চৎনরিবা ধর্ম অসিমক হিন্দু ধর্মগী মচাক কয়া অমগা মাঙলমচত্তগী চৎনরক্লবা মশাগী ওইবা ধর্ম অনী অসি নিংথিজনা তিনশিন্নখ্রগা ওইরকপা মওং অদুমকনি। খুদম ওইনা– মৈতৈ বামোন হায়না খঙনবা কাঙবু অসি হিন্দু লাইশিংগী মপুনি। মখোয়না হিন্দুগী লাইশিংবু পূজা তৌবতা নত্তনা মখোয়-মখোয়গী ইমুংদা মণিপুরীগী সনামহীসু লাৎলি। মসিমক লমদমসিগী থাজনবী অমদি তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। অসিদসু নত্তনা মৈতৈনা চৎলিবা হিন্দু ধর্ম অসিসু লম অতৈদা চৎনরিবা হিন্দু ধর্মদগী ইতোপ-তোপ্পা মশক কয়া উবা ফংই।

মী শিবগী মতাংদসু অসুম্না থাজনবী অমা লৈ মদুদি মী অমা হেক শিবগী পুথোকপা মখোল তারবদি লাপ্না তারবসু থোঙ-থোঙনাও লোনশিন্নে। অসিদসু নত্তনা মী শিবগী মতাংদা থাজনবী কয়া লৈ। শিরিবা মী অদুগী কাংখদগী লৈবাক খরা লৌরগা হৈ-লৈ খরগা লোয়ননা তোঙান্না হাপ্নে। মসিনা থাজরিবদি শিরিবা অদুগী মপূন্সিগী সেবাগীদমক্তনি হায়না লৌনৈ। অদুগা য়ুম অমদা মী অমা হেক শিবগী পুথোরকপদা য়ুম অদুদা অহল ওইরিবা নৎত্রগা পুথোকপদা য়াওরিবা মী অমুক্তা ওইরবসু শিরিবা মী অদুনা চুরি হেক য়ৌবদা দারীদা কাওরম্বগী চৎনবী অমা লৈ। অসিদসু নত্তনা মসি হেক নক্লবা মী অমনা শিরিবা ইমুং অদুগী দারীদা খুবাক্লা ঙাখত্তুনা শিরিবা মী অদু শুমাং হেক য়ৌদ্রিফাওবা ঙাখৎপা অসি থেংনৈ। মসিগী মতাংদসু ৱাহৈ খরা হায়নৈ, খুদম ওইনা– উজাও তুরবদি উশা য়াওদবা য়াদে। মণিপুরীশিংগী থাজনবী অমনা শিবা মতমদা মাইবা অমা চঙদবা য়াদে । মাইবা অদুনা শিরিবা মীদুদগী মখূৎ থাদোক্ত্রিবা ফাওবা শিরে হায়না লৌনদে। মখূৎ হেক থাবদা শিরে হায়না

লৌনৈ। মসিমক মণিপুরী 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ'কী তোপ তোপ্পা মশক অমনি।

পার্ফোমিং ফোক অসিগী মতাংদসু লমদমসিগী ওইবা তোপ-তোপ্পা শক্তম অদুম্মক লৈজে। মণিপুরীশিংগী থাবল চোংবীদা পাংথোক্লিবা থাবল চোংবগী মওং, ৱারী লীবশিংনা লীরিবগী মওং হায়বদি ৱারী লীরিবা মীশক অদুনা মোন লংখৎতুনা ভাবকশিংদা উৎলিবা মওং, পেনা শকপশিং অমসুং খোংজোম পবর্ব শকপশিংনা শক্লিবগী মওং অদুগা মতাং মতাংগী মতুংইন্না মশা মউ লেং খোত্তুনা অমসুং হাই হুমদুনা উৎলিবগী মওং অসিনচিংবা কয়া লৈ। লমদমসিগী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী তোপ-তোপ্পা শক্তম খরনি। অসিদসু নত্তনা লাইরিক হায়বা থিবানচিংবা অসিসু মণিপুরী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী শক্তম অমনি।

### 3. ৱারোয়শিন :

মণিপুরী ফোকলাইফকী মশকসি রিচার্ড এম. দোরসনগী মিৎয়েংদগী ওরেল লিত্রেচর, ফিজিকেল ফোকলাইফ, সোসিয়েল ফোক কষ্টম, পার্ফোমিং ফোক আর্টস হায়না য়েংবা য়াই। মৈতৈশিংগী মিথ, লেজন্দ, ফোকটেল, বেলদ, ফোকসোং, প্রোভর্ব, রিদলনচিংবশিং মরাং কায়না লৈরি। মসি ওরেল লিত্রেচরগী মনুং চল্লি। ফিজেৎ-লৈতেং, খূৎশু-খূৎলাই, পোৎ-চৈ অসিনচিংবনা মেটরিয়েল কলচরনি। পোকপদগী শিবফাওবগী

চৎন-পথাপশিং, লুহোংবা, ইপানথাবানচিংবসি সোসিয়েল ফোক কষ্টমনি। অদুগা মৈতৈগী হরাওকুম্মৈশিং তশেংনমক পার্ফোমিং ফোক আর্টসনি।

মণিপুরী ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী তোপ তোপ্পা শক্তম খরা অসি নত্তবা কয়া অমা লৈরি। পঞ্জৃরিবা খরা অসিদি মণিপুরী 'ফোকলোর' অমসুং 'ফোকলাইফ'কী মচাকশিংদা অসিগুম্বা তোপ-তোপ্পা মশক কয়া লৈরি হায়বদু তাকচবনি।

**রিফরেন্সেস :**


1. Alan Dundes (ed.), *The Study of Folklore,* New Jersey Prentice Hall, Eaglewood Cliffs, 1965.
2. Y.M. Sokolov, *The Russian Folklore*, New York, The Macmillan Co., 1950.
3. Don Yonder (ed.), *Folklife Studies in American Scholarship in American Folklife*, Auslin and London: University of Texas Press, 2nd prt., 1977.
5. Richard M. Dorson (ed.). *Folklore and Folklife: An Introduction*, Chicago, The University of Chicago Press, 1972.
6. এন, খেলচন্দ্র সিংহ, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*, ইম্ফাল, লা: ৩ ।
7. Stith Thompson, *The Folktale*, New York, The Dryden Press, 1951.
8. F. Bowers, *The Dance in India*, New York, 1953.